# হুইয়েন লানপাউ

Vol. 41, Issue No.112 | নোংমাইজিং, ইঙেনগী ২২ নি পানবা | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, Sunday, July 16, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


হেল্পিং হেন্দস ফোর পীপল না শীন্দুনা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌগদৌরিবা অনাবা অমগীদমক শিজ ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ত্রান্সফ্যুজন সর্ভিসতা পাঙথোকপা ঈ কৎপগী থৌরম



লামায় ৩

খুৎলাই লল্লোনবা কাঙবু অমনা মোরেদগী পুথোরকপা অফবা মখলগী নোংমৈশিং টাটা সুমো অমদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্যান্দোগী কাঙবুনা ফারগা পাউমীশিংদা উৎপা



লামায় ১

ওবজার্ভেসন কম্মিটি এন্তি রিপ্রেসন দে, ২০১৭না শীন্দুনা ইম্ফালগী জি এম হোলদা পাঙথোকখিবা এন্তি রিপ্রেসন দে, ২০১৭ থৌরমগী শক্তম অমা




লামায় ৩

কোংগ্রেসকী এম এল এ ক্ষেত্রি বিরেন অমসুং পাওনম ব্রোজেননা বি জে পিদা য়াওরকপদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লূচিংবা টিম্না তরাম্না ওকপা



লামায় ১

## থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬২.৫৪

দীজল : লিটরদা লুপা ৫৩.২৯

## মীয়ামগী নুমিৎ

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ : চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লূচিংবা লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিদা মীয়াম অমদি লৈঙাক্কী মরক্তা হেন্না নকশিনহন্নবগী পান্দমদা ঙসিসু দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারগী ওফিসতা মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে। চীফ মিনিষ্টরনা লাউথোকখিবগী মতুং ইন্না হৌখিবা থা ২ রোমগী মমাঙদগী থা খূদিংগী ১৫শুবা নুমিৎতা থৌরম অসি পাঙথোক্নুনা লাকখিবনি। ঙসিসু মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার উনবা লাকখি। তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা মীয়ামগী ৱাকৎ তারবা মতুংদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরনা অথুবা মতমদা লৈঙাক্লা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়না থাজবা পীখি হায়রি।

## দিল্লিদা লৈরি

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ : জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট এন্তি ট্রাইবেল বিলস (জে এ সী) অমসুং মিজোরামগী এপেক্স সিবিল সোসাইটি ওর্গনাই-জেসনশিংগী মীহুৎশিং য়াওবা অপুনবা টিম অমনা জুলাই ১১দগী ন্যু দিল্লিদা লৈদুনা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী তোঙান তোঙানবা ওফিসলশিংগা উন্দুনা ৱারী শানরি হায়না জে এ সীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। চেরোল অসিনা হায়, জে এ সী অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা সাইন তৌনখিবা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং অমসুং আউটর মণিপুরদা খুন্দারিবা ট্রাইবেল মীয়ামগী তোখায়বা এদমিনিষ্ট্রেসন অমা লৈহনবগী মতাংদা আর এন রবি য়াওনা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টকী তোঙান তোঙানবা ওফিসলশিংগা উনদুনা ৱারী শানখি।

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

## অ ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
| --- | --- | --- |
| বিষ্ণুপুর | এন এ °C | এন এ °C |
| চান্দেল | এন এ °C | এন এ °C |
| সীসীপুর | ৩০.১২ °C | ২০.৯৮ °C |
| ইম্ফাল | ৩২.৭৪ °C | ২১.৮০ °C |
| সেনাপতি | ৩২.৪১ °C | ২০.৫৭ °C |
| তমেংলোং | এন এ °C | এন এ °C |
| থৌবাল | এন এ °C | এন এ °C |
| উখ্রুল | ২৫.২২ °C | ১৭.০৯ °C |
| মণিপুর | ৩৪.১৪ °C | ১৭.০৯ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.৭০ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৩৫

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৬

দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

## HL POLL

Q : Constitutiongi kanglon pumnamak thugairaga congress MLA anina BJPda yaobasi yaningbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Police na mayai kaba chinjaksing farabasu adummak fangbana thourang asi kannadre lougadra?

Yes 73% No 27%

## অস! লোইরেহে!

মীখল মমাঙদা শকখিবা ৱাশক ঙাকপা ঙম্বসি নুংঙাই, ফদি ফজরেহে...!




# মীয়ামগী নুমিত্তা অনাবা য়াওনা মীওই কয়াগী ৱাকৎ সী এমনা তাখ্রে

## মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংগী স্কীমশিং নীংথিনা রিভিয়ু তৌগনি : সী এম



ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস) :

অহুল্লকশুবা মীয়ামগী নুমিৎতা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকখিবা অনাবা অমসুং হকচাংগী ফীভমদা মীমান্নদ্রবা মীওই কয়া য়াওনা মীয়ামগী ৱাকৎশিং চীফ মিনিষ্টরনা তাকখ্রে।

মীয়ামগা উনবগী থৌরমদুদা চীফ মিনিষ্টরনা পাউমীশিংদা হায়খি, মীয়ামগী নুমিৎ অসিদা লাক্লিবা মীওইশিংগী মরক্তা লৈত-লায়রা, অনা-অয়েক অমসুং মীমান্নদ্রবা মীওই কয়া য়াওরি। ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা অশুক য়াম্না ৱাবা, নংবা মীওইশিং লৈরমগনি হায়বা থাজরুদে। মখোয়গী য়াইফ থৌরাংগীদমক সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী মখাদা পীরিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং নৌহৌননা য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈরে।

লৈত-লায়রনা পীক থল্লবা খুন্নাই অমবু করম্না মাঙদা চঙশিনগনি হায়রদুনা মহাক্না হায়খি, সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী লৈরিবা স্কিমশিং অমদি অনৌবা স্কিমশিংনা অৱাবা তারবা মীয়ামদা করি কান্নবা পীবা য়াবগে হায়বদু য়েংশিল্লগনি।

ষ্টেট অসিদা পাল্লিবা অনৌবা লৈঙাক অসিগী মীৎয়েংদি ইনফ্রষ্ট্রকচর চাউখৎহনবা অমদি লম্বী- থোং শেম্বা অদুখক্তা নত্তে। ষ্টেট অসিগী মীয়ামগীদমক মতেঙ পাঙবা অমদি মীয়ামগী থবক তৌবা অদুসুনি। য়াইফ থৌরাংগী স্কীমশিং অমদি প্রোগ্রামশিং নীংথিনা রিভিয়ু তৌগনি। য়াইফ থৌরাংগী স্কীমশিং ষ্ট্রীমলাইন তৌবা হায়বসি হৌজিক য়াম্না তঙায়ফদবা অমা ওইরি। ৱেলফেয়র স্কীমশিং লৈঙাক্লা কমপ্রিহেন্সিব রিভিয়ু তৌদুনা য়েংশিনগনি। মসিনা ফঙফম থোকপা বিনিফিসরিশিংদা স্কীমশিং অসিগী কান্নবা য়ৌহনবা ঙমগনি।

ষ্টেট অসিদা মীয়াম্না মাইক্রো লেবেলদগী হৌনা থেংনরিবা প্রোব্লেম কয়া সোল্ভ তৌনবা হোৎনরি। বেঙ্কশিংনা শেল্ফ হেল্প গ্রুপশিং পুল্লিং থৌগৎতুনা লোন পীহন্নবা হোৎনবা চঙই। ইমপ্লোইমেন্ট জেনরে-সনগীদমক অসিগুম্বা থবকশিং অসি তৌবা তাই। ৱেলফেয়র স্কীমশিংগী ইমপ্লিমেন্টেসন প্রোসেসতা এজেন্সী অমদি বিনিফিসরিশিংগী মরক্তা গেপ খরা লৈবগী ফিভম উরি। মীয়াম্না পীরকপা এপ্লিকেসন অমদি ৱাকৎশিং নীংথিনা নোট তৌরবা মতুংদা য়েংশিন্নবা অমদি লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎনবা মরী লৈনবা কম্মিস্নরশিং অমদি সেক্রেটরিশিংদা ইদুনা খঙহল্লি। হন্দক্তা সুপ্রিম কোর্টনা এল্লেজ ফেক ইনকাউন্তরগী মতাংদা তারক্লিবা ভর্দিক অসি তরাম্না ওকই। ইনভেষ্টিগেসন মপুং ফানা চথনবগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কোওপরেসন মপুং ফানা পীগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, এদ্যুকেসন এন্দ লেবর মিনিষ্টর টিঐচ রাধেশ্যামনা ন্যু সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা মহাক্কী ওফিস অমদি কাঞ্চিপুরদা লৈবা ময়ুমদা মীয়ামগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# ইম্ফালদা স্বাইন ফ্লুনা নাবা মীওই অমা থেংনরে

## ‘লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলে’



ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস) :

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদগী লাঙ্গোলদা লৈবা শিজ হোস্পিটালদা লায়েংদুনা লৈরিবা অনাবা অমা পান্দেমিক ইনফ্লুএঞ্জা এ (ঐচ১এন১) ২০০৯ পোজিটিব ওইরে হায়না হেল্‌ঠ মিনিষ্টর লাংপোক্লাকপম জয়ন্তকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ওল্ড সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা কনফরেন্স হোলদা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়খি, মশা লায়হৌ তৌই হায়দুনা পুখৎলকপা অনাবা অমা মেদিকেল ট্রিটমেন্ট পীরবসু ফগৎলু হায়বা য়ারক্তবদগী মহাক্কী ব্লদ সেম্পল মপান দা থাদুনা টেষ্ট তৌবদা Pandemic Influenza A (H1N1) 2009 পোজিটিব ওইরে হায়না খঙহল্লকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, ঐচ১এন১ পোজিটিব ওইরবা মীওই অদু নুপানি। মশাগী চহী ৪৫ রোম শুরে। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদগীনি। মহাক থা অসিগী ৪ দা শিজ হোস্পিটালদা এদমিট তৌরকখিবনি অমসুং মহাক্কী ঈগী সেম্পল অদু মুম্বাইদা লৈবা টেষ্টিং লেবোরেটরি অমদা থা অসিগী ১০ দা থারুবনি। টেষ্ট অসিগী রিজল্ট ঙরাং লাকখিবনি। লায়না অসি কমদৌনা লাকপনো হায়বা চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রি। অদুমকপু মণিপুরদা হৌখিবা চহী খরগী মমাঙদা ঐচ১এন১ শনে দারকপগী ঈ-পাউ লৈখ্রে।

লায়না অসি থোইদোক্না নুংশাথীনিঙাই ওইরোই। হেল্‌ঠ দিপার্টমেন্টনা লৌখৎফম থোকপা থবক খুদিংমক লৌখৎলে। রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা অখন্নবা ফমুং মঙা তোখায়না খাক্নুনা থম্লে। জৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) তনা ৱিং অমা তোখায়না খাক্নুনা থম্লে। হোস্পিটাল অনী অসিগী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

# কোংগ্রেস এম এল এ ২ বি জে পিদা য়াওখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস) :

চহী অসিগী মার্চ থাদা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্ব্লি মীখলদা কোংগ্রেস পার্টিদগী মীরেপ ওইদুনা মায় পাক্লকখ্রবা লম্লাই এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীগী এম এল এ ক্ষেত্রি বিরেন অমসুং ৱাংজিং এ সীদগী পি ব্রোজেন ঙসি বি জে পিদা য়াওখ্রে।

বি জে পিদা নৌনা য়াওরকখ্রবা এম এল এ অনী অদু ঙসি নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা বি জে পিগী ওফিসতা তরাম্না ওকখ্রে। থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন, ৱার্কস মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম, পার্লিয়ামেন টরি সেক্রেটরিশিং অমদি এম এল এশিংসু শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, পঞ্চায়ট মীখল অমসুং লোক সভা মীখল অসি হৌজিক মাঙদা তাদুনা লৈরবগুম্বনি। অসিগুম্বা মতম অসিদা কোংগ্রেসতগী মায় পাক্লকখিবা এম এল এ অনীনা বি জে পিবু মপাঙ্গল কনখৎহন্দবা য়াদে হায়দুনা পার্টি অসিদা চঙলকখিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি।

কোংগ্রেসকী য়াঙলেন শরু ওইনা থৌ পুরম্বা এম এল এ অনীনা বি জে পিদা চঙলকপসি পার্টি অসিনা তরাম্না ওকই। মসিদসু নত্তনা লিলোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী কাউন্সীলর মরিনা ঙসি বি জে পিদা য়াওরকপা অসিসু থাগৎলি। পার্টি অসিদা হান্নদগী য়াওরক্লবশিং অমদি নৌনা য়াওরক্লবশিং লিংজেল মান্ননা, পুকচেল ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# হেন্না ফিভম শোকপা লম্বীদা লাকপা উরে : আর পি এফ

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ : মতম শাংনা হায়বা ইনবা লৈঙাক ওইনা লৈরম্বদু ঙসিনা অমুক্কা হেন্না ফীভম শোকপা লম্বী অমদা লাকপা উরে হায়না রেভল্যুস্নরি পীপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ) কী সেক্রেটরি পব্লিসিটি রোবেন খুমন্না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কুমজা ১৯৪৯ গী ওক্তোবর ১৫ দগী মণিপুরবু ইন্দিয়ানা নম্ফুন্দা লৌশিনখ্রবা মতুংদগী পার্ট সি ষ্টেট অমদি কুমজা ১৯৫৬ তা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অদুগা কুমজা ১৯৭২ দগী ইন্দিয়ন পেরিফেরেল ষ্টেট ওইনা মালেমদা য়াম্না মীনুংশি উৎনা কোনশিনবা মালহন্দুনা ইন্দিয়ন ষ্টেট অমা ওইনা ঙসি ফাওবা উৎথোক্নুনা লাক্লি। লৈঙাকপগী মওংদুদি লোয়লম অমা ওইবগী থানবা য়াদ্রবা থরক হুনগৎপা মচৎ, লৈঙাক লীংখৎতুনা লৈঙাকপদুনি। শাংলবা মতম অমা লৈঙাক চথরকপদা ঙসিনা হেন্না ফিভম শোকপা লম্বী অমদা লাকপা উরে। ইন্দিয়াগী ময়াই লমদমনি হায়রিবা দিল্লিদা হৌজিক লৈঙাক্লিবা চহী ৩ মপুং ফারবা মোদিনা লুচিংবা বি জে পি লৈঙাক অসিগী মপুং ওইবা অথুপ্পা কাঙলোন অসিদি মখোয়না লৈঙাক খুৎলিংলিবা ময়োল অমদি মতাই লমদমশিংদা লৈরিবা খুন্নাইগী ইন্সটিট্যুটশিংগী খুথাংদা লোং মার্চ অমা চৎপা হৌরকপনি হায়রি।

খোঙথাং অসিনা মরুওইনা এদ্যুকেসন অমদি কলচরদা অহানবা খুৎ থাদুনা কলচরেল নেসনেলিজম হায়বদি ইন্দিয়ন সেন্ত্রিক নেসনেলিজম শাগৎলক্লি। নল্লাক নমথুবা হিজিমোনিগী এজেন্দা কয়া ...মখা লামায় ৯ কলম ১

# স্কাভেটরদা লায়েংনবা পুবা অনাবা ১ লম্বীদা লৈখিদ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস) : অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা ফংদ্রবা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা এন গাম্নোম খেঞ্জোই ভীলেজদগী নহা অমা স্কাভেটরদা হাপ্লগা ম্যান্মারগী খম্পাক্তা লৈবা লায়েংশঙ অমদা লায়েংনবা পুবগী লম্বীদা লৈখিদ্রে।

থম্নোয় শোক্লিংঙাই ওইবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং থাংতিনলেন বাইতে (২৭) কৌই। মহাক এন গাম্নোম খেঞ্জোই ভীলেজদগী লামথাং বাইতেগী মচানুপানি।

লম্বী-থোংগী ফীভম হান্নদগী হৌনা ফত্তনা লৈরিঙৈগী মরক্তা নোং লেপ্তুনা চুশিল্লকপদগী খুল অমগা খুল অমগা ফাওনবা ঙমদনা লৈরিঙৈগী চৈরক্তা অনাবা অসি ইম্ফাললোমদা পুথোক্লবগী খুদোংচাবা লৈখিদে। মদুনা মরম ওইরগা ঙমখে লাম্থোক্লগা ম্যান্মাররোমদা লায়েংলুনবা স্কাভেটর অমগী লৈবাক ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

# পুলিস পার্সনেল ৩ সস্পেন্দ তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস) :

মোরেদা পোষ্টিং তাবা পুলিস পার্সনেল অহুম লান্না শেল লৌবগী মরালদা সস্পেন্দ তৌখ্রে হায়না এন্তি করপসন সেল চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটকী ও এস দিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, জুন থাদা ৱাটসঅপকী খুথাংদা মোরেগী পুলিস পার্সনেল খরনা ইম্ফাল মোরে লম্বীদা চেল্লিবা ...মখা লামায় ৩ কলম ১


OFFICE OF THE
**M.S.G.A.R.T.**
AWANG SEKMAI, NEW MARKET

"Identity Card and Signboards will be issued from the 24th July, 2017 onwards as Sl. No. 187 to 400 on 24/07/2017 and Sl. No. 601 to remaining on 25/07/2017."

Report CSKs immediately to the office.

Sd/-
B. Kulachandra Sharma
Director, PDS
Manipur SGAR Trust

Date : 15/07/2017
HL-P/2083/16





HL-P/1820/15/6-19/7



## পাক শন্না শন্দোরক্লিবা ইনফ্লুএঞ্জা এ ঐচ ১ এন ১ (স্বাইন ফ্লু)

### লায়না অসিগী লায়ওংশিং :

- লোক খুবা, খৌনাও নাবা, শ্বর হোনবা ৱাবা য়াওনা নাতোন মহি চেনবা নৎত্রগা ফুনবগা লোয়ননা খঙহৌদনা লায়হৌ কন্না হৌরকপা।

### য়েংবা য়াবা অতে লায়ওংশিং:

- হকচাং চীক-নাবা, কোক চীকপা, চোকথবা, নীংথম চন্দুনা নিকপা, খোং হাম্বা, ওবা, লোক-তিনদা ঈ য়াওবা।
- তাংদাংবা মতম শাংলবা লায়নাগী ফীভমশিং লৈবা মীওইশিং, চহী ৬৫ নৎত্রগা মসিদগী হেনবা মীওইশিং, চহী ৫ য়ৌদ্রিবা অঙাংশিং অমসুং মীরোনবী নুপীশিংনা হেন্না কন্না নাবা য়াবগী খুদোংথিবা মায়োক্নে।

### তৌগদবা অমসুং তৌরোইদবশিং

### তৌগদবশিং :

- লোক খুবা নৎত্রগা হাকথি খনবা মতমদা নহাক্কী নচিন অমসুং নাতোন রুমান অমনা নৎত্রগা তিস্যুনা মেল্লু।
- নহাক্কী খুৎশিং সাপোন অমসুং ঈশিংনা তোয়না চামথোকউ নৎত্রগা অলকহোলদা বেজ তৌবা খুৎকী জেল শীজিন্নৌ।
- নহাক্কী নমীৎশিং, নাতোন নৎত্রগা নচিন্দা শোক্কনু।
- মী চিনবা মফমশিংদা লৈগনু।
- লোক-লায়হৌনা নারবা মীওইশিংদগী পাম্বোম মশাং অমগী চাংদগী হেন্না লাপ্না লৈয়ু।
- মতিক চানা তুমউ।
- ঈশিং মরাং কায়না থকউ অমসুং মচী ওইবা চীঞ্জাক চাউ।

### তৌরোইদবা :

- হরাও-তয়াম্বা উৎপদা খুৎ শোক্লবা নৎত্রগা লেঙ্গোন্নবা।
- মীয়াম মাঙদা ফোংনা লোক তিন শীৎপা।
- ফিজিস্যান তানদনা হীদাক-লাংথকশিং মরু ওইনা এসপরিন শীজিন্নবা।

### করিগুম্বা নহাক ঐচ ১ এন ১ ফ্লুনা নারে খল্লবদি :

- ডোক্টরনা পাউতাক পীরবদি, য়ুমদা লৈয়ু।
- লম-তু চৎপা নৎত্রগা থবক চৎপা নৎত্রগা স্কুল কাবা তৌগনু।
- নহাক্কী লায়ওংশিং উৎপা হৌবদগী নুমিৎ ৭নি নৎত্রগা পুং ২৪ হেন্না শাংনা নহাক্কী লায়ওংশিং লেপত্রি ফাওবা অতোপ্পা মীওইশিংগা উনগনু।
- লায়ওংশিং কনশিল্লক্লবদি (লায়হৌ কন্না হৌবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, উনশা নৎত্রগা চিনবান মচু হিগোক চংলকপা, লোক তিনদা ঈ য়াওবা নৎত্রগা লমচৎ-শাজৎ হোংলকপা) খ্বাইদগী নকপা শকখঙলবা হেল্‌ঠ ফেসিলিটি অমদা পাউ পীয়ু।
- পীক্লিবা অঙাংশিংদি অশাওবগী মওং উবা য়াই, মহি-মনাইশিং থকউ অমসুং চীঞ্জাক চাউ হায়বা য়ারোই।

*দিরেক্টোরেট ওফ হেল্‌ঠ সার্বিসেস/নেসনল হেল্‌ঠ মিসন, মণিপুরনা মীয়ামগীদমক্তা ফোঙজবা*

HL-B/4017/16-26 Alt